# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 23-11-2025)

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চত্থরি।

মনিপুর পুলিসনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী গেটকী চেক পোইন্টতগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী এল.এম.জি. অনি, এস.এল.আর. রাইফল অমা, নোংমৈ মরুগা কোন্ননা ফারে। আর.পি.এফ-পি.এল.এগী অতোপ্পা মীওই অমসু ঙরাং ইম্ফালগী তাকয়েল পাৎতগী ফারে। মঙোন্দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা ফংলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়ুমাম হুইদ্রোমদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমসু ফারে। মঙোন্দগী লুপা লিশিং ৩৪ সু ফংখি।

মনিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফালগী হৈরাঙ্গোই থোংদা লোৎশিন্দুনা থল্লন্বা পোইন্ট থ্রি ৮ কী মরু অনি য়াওবা পিষ্টোল অমসু ফাগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী লোইবোল খুলেনগী লম একর ১৫ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিংসু য়ানথৎতুনা মাঙহনখ্রে। চান্দেল জিলাগী গোবোক চীংশাংগী একর ৫০ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিংসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ানথৎতুনা মাঙহনখ্রে।

মনিপুর পুলিসনা আইন কায়বা মওংদা গাড়ি থৌবশিংগী মথক্তসু মখা তানা দ্রাইব চত্থরি হায়না চেরোল অদুনা পল্লি।

**শঙাহ (এল)ঃ** মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫ কী ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতা মীরমগী আর্টিষ্টশিংনা পাঙথোকপা সংস্কৃত্তিগী থৌরমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ভৈগ্যাচন্দ্র ওপন ইয়ার ঠিয়েটরদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ দগী হৌদুনা চিরু ত্রেদিসনেল দান্স, অনাল ত্রেদিসনেল দান্স, খুনুং ঈশৈ, নোর্থ ইষ্ট জোন কলচরেল সেন্টরগী আর্টিষ্টশিংনা পাঙথোকপা থৌরমশিং, মীরমগী আর্টিষ্টশিংগী জগোই অমদি ক্রেয়েটিব দান্সনচিংবা পাঙথোক্কনি।

**ডে (এল)ঃ** ১৯৯১ দা অন্দমান নিকোবরদা লোই থাখিবা মনিপুরগী অথৌবা ২৩ বু নীংশিংবা অমদি মখোয়গী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা ঙসি ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হেরিটেজনা শিনদুনা ১৩৫ শুবা একজাইল ডেগী পালন থৌরম হৌজিক অয়ুক পুং ৯ দা ইম্ফালগী বি.টি. পার্কতা লৈবা মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি।

**এমপিপি (এল)ঃ** আউটর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী হান্নগী এম.পি. ডা: লোরহো এস. ফোরজেবু নেসনেল পিপলস পার্টি-মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইনা হাপখ্রে।

এম.এল.এশিং-সৈখ নুরুল হাসন, থোঙাম সান্তি অমসুং জামহেংলুম পানমৈ মখোয় অহুম্বুনা দল অসিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্টশিং ওইনা খনখ্রে। মসিগী মতাংদা দল অসিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট-কোনরাত কে. সামানা চেরোল অমা থোকখ্রে।

**টুর (এল)ঃ** কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রালয়না ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা শিনবা নেসনেল ইন্টিগ্রেসন টুরগী শরুক অমা ওইনা মনিপুরগী মহৈরোই অমসুং ওজাগী অপুনবা মীওই ২২ না শাবা কাংলুপ অমা হৌজিক রাজস্থানগী জয়পুরদা লৈরি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা নহাশিংদা অমত্তা

ওইবা ৱাখল্লোন পোকহন্নবা পাঙথোকপা টুর অসিগী শরুক অমা ওইনা মনিপুরগী ওজা অমদি মহৈরোইশিং থা অসিগী ১৫ দা ইম্ফাল থাদোকখিবনি। ঙরাং নহাশিং অসিনা কোরপ ওফ সিগনেলগী কর্নেল কম্মান্দেন্ট অমদি সাউথ ৱেষ্ট কম্মান্দগী চীফ ওফ ষ্টাফসু উন্নখি।

**মিজোরমঃ** বি.এস.এফ. আইজোল অমসুং মিজোরামগী এক্সাইস অমদি নার্কোটিক্সনা ঙরাং ৱেষ্ট আইজোলদগী লুপা কোতি মরি লাখ ৭৯ হেনবগী মেথাম ফেতামিন কিলোগ্রাম ৫ গ্রাম ৮৯০ অমসুং হেরোইন পাউদর গ্রাম ৪১ ফারে।

দ্রগশিং অদুগা লোয়ননা ম্যান্মামার মচা অনি য়াওনা মীওই মরিসু ফারে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মালেমগী লৈবাকশিংনা হৌজিক চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপগী মওং মতৌ অসি মতমগা চুন্নরিব্রা হায়বদু য়েংশিনবগী মতম ওইরে।

খা আফ্রিকাগী জোহনেবার্গতা চত্থরিবা জি-টোইন্তি লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগী অৱাংবা থাক্কী মীফমগী অহানবা সেসনদা শ্রী মোদিনা হায়-জি টোইন্তিনা মালেমগী শেল থুম অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মহাকা হায়-হৌজিক পায়খৎলিবা মোদেলশিং অসিদা অৱাৎপা খরা লৈরে। আফ্রিকাগুম্বা মহাদেসতা মীশিং অয়াম্বদি চাউখৎপগী লমজেলদা য়াওবা ঙমদ্রি অমদি লৈবাকশিং অসিদা মহৌশাগী পোৎথোকশিং হেন্না লৌথোক্তুনা মহৌশাগী খল কায়রকপগী অকিবা লৈরি।

শ্রী মোদিনা মহাক্কী ৱান আর্থ, ৱান ফেমিলি, ৱান ফ্যুচর হায়বা মীৎয়েংদা মরুওইবা ৱাফম মরিসু পুথোকখি। মসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা চৎনকাঙলোনশিংবু তাশিন খোমজিনবা, লাক্কদৌরিবা চহি তরা অসিদা আফ্রিকাদা মীওই মিল্লিয়ন অমবু সার্টিফাইদ ত্রেন্নর ওইহন্দুনা স্কিল দিবলপমেন্টতা পুকিং

চংশিনবা, মহৌশাগী খুদোংথিবা অমদি হকশেলগী ইমর্জেন্সি লাকপা মতমদা থেংননবা জি টৌইন্তি গ্লোবেল হেলথ কিয়ার রেস্পোন্স টিম অমা শেম্বা অমদি দ্রগ ত্রাফিক্কিংগী সমস্যা থিংননবা এন্তি দ্রগ পোলিসি অমা শেম্বা য়াওরি।

জি-টৌইন্তিগী মখাদা গ্লোবেল ত্রেদিসনেল নোলেজ রিপোজিটরি অমা শেমবসু শ্রী মোদিনা প্রস্তাব তৌখি।

**এসিআইটিআইঃ** ভারত, কনাদা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়া-কনাদা, ইন্দিয়া টেকোলোজি এন্দ ইনোভেসন পার্টনরসিপ কৌবা লৈবাক অহুমগী ওইবা অনৌবা টেকোলোজি অমসুং ইনোভেসনগী ফ্রেমৱার্ক অমা লাউথোকখ্রে। জোহনসবাগতা জি-যোইন্তিগী মীফম য়াওবা লাকপদা লৈবাক অহুমা য়ান্ন-ৱারোল অদু সহি তৌনখিবনি।

মসিগী মখাদা মরুওইবা অমদি মতমগা চুনবা টেকোলোজিগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্দুনা লৈবাকশিং অসিগী মরী হেন্না চেৎশিলহনগনি। য়ান্নচে অসিনা নেট-জিরো ইমিসনগী লমদা চংশিনবা, হেন্না ফবা টেকোলোজি ইকোসিষ্টেম লৈহনবা, মীয়মাগী পুন্সি মহিং হেন্না ফগৎহন্নবগী থবক্তা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স শিজিন্নবনচিংবা হীরমশিংদসু মীৎয়েং চংলি।

য়ান্ন-চে অসিগী ৱাফমশিং খুমাং য়াংশিলহন্নবা লৈবাক অহুম অসিগী ওফিসিএলশিং ২০২৬ কী হৌরকপগী থা অহুমগী মনুংদা উন্নদুনা ৱা খন্নগনি।

**মাওইষ্টঃ** তেলঙ্গানাদা আইননা থিংখ্রবা সি.পি.আই. মাওইষ্টকী সেনিয়ার ষ্টেট কমিতি মেম্বর অহুম য়াওনা মাওইষ্ট ৩৭ সরকারদা চংজখ্রে।

হায়দ্রবাদতা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অমদা তেলঙ্গানাগী দি.জি.পি. বি. শিবধর রেদ্দিদা চংজরকখিবা মাওইষ্ট অদুগী মনুংদা নুপী ২৫ য়াওরি। মখোয়না চংজরকপা মতমদা এ.কে. ফোরটি সভেন রাইফল অমা য়াওনা অতৈ নোংমৈ ৮ অমসু লোয়নরকখি। ঙরাং চংজরকখ্রবা ষ্টেট কমিতি মেম্বর অহুমদা লুপা লাখ

২০-২০ গী শেনফমশিং খুৎশিন্নখি। অতৈদনা পুন্না লুপা কোতি অমা লাখ ৪১ হেনবগী শেনফম চেক ওইনা পীখি।

**পোলো ঃ** ১৫ শুবা মণিপুর পোলো ইন্তরনেসনেলগী ঙসি অহানবা মেটচতা ইন্দিয়া টিম (সি) ছাতিসগর অমদি ইন্দিয়া টিম (বি) মনিপুরগা শান্নখি। অনিশুবা মেটচতা কলম্বীয়া অমসুং ইন্দিয়া টিম (এ) ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা শান্নগনি।

ঙরাং তুরনামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী মেটচতা কলম্বিয়া অমসুং য়ু.এস.এ শান্নবদা কলম্বিয়ানা পাঞ্জল ৬-৪ থোইখি।

**হোকিঃ** ৩১ শুবা সুলটান অজলান সাহ কপ হোকি টুর্নামেন্টকী ঙসি অহৌবা মেটচতা ভারতকা খা-কোরিয়াগা মালেসিয়াগী তিপোদা থেংনরগনি। মেটচ অসি নুংথিল পুং ১ মখায়দা হৌগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

নম্ফুদা সঙাই ফেষ্টিবেল পাভথোকপনা আই.দি.পিশিংগী খোঙজং হেন্না কনশিল্লক্কদৌরি অমসুং তোখায়বা লৈঙাক্কীদমক কুকি এম.এল.এ. তরা রিজাইন্দ তৌনবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউশিংনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫ নিনি চনবা নুমিৎ খুন্তাক লানশিখ্রে, স্তোল ফল্লিবশিংনা মখোয়গী দিপোজিতকী শেনফম হন্দোকউ হায়বগী ৱাথোক লাক্কদৌরি হায়বা পাউ ফোটোগা কোন্ননা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তোঙান তোঙানবা সাইভর ক্লোদকী কেসশিংদা মনিপুরদা হৌখিবা চহিগী ওইনা লুপা কোতি ২৫ লিশিং ৪৫ গী চাং মাঙখি অমসুং ডা: লোরহো ফোরেজ

এন.পি.পি.গী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকপগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

একর ৫০ দা থারম্বা পোপীশিং য়ানথৎখ্রে অমসুং সনা লুপাগী লৈতেংগী পোৎলমশিং হুরানবনি হায়বা জেল য়ৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পোকফম পাউ-চেদা আই.দি.পিশিংনা সঙাই ফেষ্টিবেলগী মায়োক্তা রেল্লি চৎখ্রে। নবেম্বর ৩০ ফাওবা প্রোটেষ্ট তৌনবা লেপখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নরোন্দো চংশিল্লকপা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টকী ইশুশিং অৰাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংনা ঙসিদি খঙবা হৌরক্লে হায়বা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী ৰাফম অমসুং ময়াই লম্বী শেম্বীদবগী মায়োক্তা মতম কক্তনা লম্বী থিংজিনখিবগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

চুরাচান্দপ্রদগী লাঞ্জেনলকপশিংনা ময়ুম তমা অমুক্কসু চংশিল্লকপদা সেক্যুরিতিগা মুকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।